

# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, JULY 10, 2014, PAGE 7

*য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলবু জর্মন্না ২২রকশুবা ওইনা থেংনবদা চাওনা মাইথিবা পিখিবদা হরাওবা ফোংলিবী জর্মনগী ফেন অম*

*গোল ৭–১দা মাইথিবা নংবদা ব্রাজিলগীদমক্তা নিংঙমদবা ফোংলিবী ষ্টাদিয়ম মনুংদা বোল য়েংখিবী ব্রাজিলগী ফেন অমা*



## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ৱার্ল্ড কপ

# কোচ স্কোলারিগী ৱার্ল্ড কপ মমাংগী প্রেদিক্সন অরানবা ওইখ্রে জর্মনগী মিরোজলাভ ক্লোজনা ৱার্ল্ড কপতা পুন্না গোল ১৬ চনবা শান্নরোই ওইখ্রে

*রিও দি জেনেরো, জুলাই ৯ঃ*
বেন হোরাইজোন্টতা লৈবা ষ্টাদিয়া মেইনেরো অসিদা শান্নখিবা ব্রাজিল অমদি জর্মনগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু য়েংবা লাকখিবা ভাবোক তঙ্খায়রোমদি বোল লোইদ্রিঙৈদা ষ্টাদিয়ম থাদোক্কুনা চৎনখি । লেমহৌরিবশিং অদুনা ব্রাজিলনা সেমি ফাইনেলদা চাওনা মাইথিবা নংহৌবদা অৱাবা ফোংবনা মশিং হেনখি ।

মেটচ অদুদা জর্মনগী ষ্টাইকর ওইরিবা মিরোজলাভ ক্লোজনা হৌজিক ফাওবদা ৱার্ল্ড কপ্তা গোল ১৬ চন্দুনা কপ অসিদা অনৌবা হিস্ত্রি অমা শেম্বা ঙমখ্রে ।

জর্মন টিমনা হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা লিগ রাউন্দদগী হৌনা ফাইনেল ফাওবা চংলকপদা পুন্না মেটচ ৬ শান্নখিবদা গোল ১৭ চনবা ঙমখ্রে ।

ঙরাংগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী জর্মন টিমনা বোল পায়দুনা ব্রাজিল টিমগী মাইয়োক্তা গোল চন্নবা হনবা লৈতনা হোৎনখি । মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনিটতা থোমাস মুল্লরনা টিম অসিগী অহানবা গোল চনবগা লোয়ননা মহাক মশাগী ওইনা মঙাশুবা গোল চন্দুনা হৌজিক ফাওবদা টোপ স্কোররগী কন্টেষ্টতা অনিশুবা শান্নরোই অমা ওইনা লৈরি ।

মেটচ অদুগী ২৩শুবা মিনিটতা জর্মনগী ষ্টাইকর অমা ওইরিবা মিরোজলাভ ক্লোজনা গোল ১ অমগা চন্দুনা টিমগী অনিশুবা গোল ওইবগা লোয়ননা মহাক মশাগী ওইনা ৱার্ল্ড কপ্তা গোল ১৬ চনবা অহানবা শান্নরোই ওইবা ঙমখ্রে ।

মমাংগী মেটচতা হাইবদি প্রি ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচতা ক্লোজনা গোল ১ চনবগা লোয়ননা রোনালদোনা ৱার্ল্ড কপ্তা চনখিবা গোল মশিং অদুগা মান্ননা ১৫–১৫দা লৈরম্বনি ।

মেটচ অদুগী ২৪শুবা মিনিটতা অমদি ২৬শুবা মিনিটতা টোনি ক্রুসনা গোল ২ চনশিন্নগা লোয়ননা জর্মন টিমগী স্কোর বোর্দতা অহোংবা থমখি । মরিশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ৩ লৈরগা মেটচকীনা ২৯শুবা মিনিটতা সামি খেদেরানা গোল অমগা চন্দুনা টিমগী পাঞ্জিল ৫ শুহনখি ।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা ব্রাজিলনা জর্মনগী মাইয়োক্তা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি ।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিনা মখা তানা শান্নখি । মেটচ অদুগী ৬৮ শুবা মিনিটতা ব্রাজিলগী বেন্তেবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি । অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা জর্মন টিমনা গোল ৫ চনখিবা অসিদা ষ্টাদিয়ম চোন্না তিল্লম্বা ব্রাজিলগী ভাবোকশিং তপ্না তপ্না ষ্টাদিয়মদগী মপান থোক্লখি ।

অনিশুবা হাল্ফ মনুং অসিদা জর্মনগী শান্নরোই এন্দ্রে সেচুল্লারনা মেটচ অদুগী ৬৯শুবা অমদি ৭৯শুবা মিনিটতা গোল অনি অমগা চনশিন্দুনা টিমগী গোল মশিং ৭ শুহনখি ।

মেটচ অসিদা জর্মন্না মখা তানা গোল চনবা য়াৱগী খুদোংচাবা অমসু লৈখি অদুমওইনমক বোল অদু গোল মাউথতা কাওশিনবগী মহুত্তা বেক পাস তৌদুনা শান্নখিবা কয়া অমা লৈখি । অয়াম্বা মতমদা জর্মন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখিবনা ব্রাজিলনা বোল ফংবা য়াম্না ৱানা থোকখি । মরক মরক্তা বোল ফংদুনা জর্মনগী মাইয়োক্তা গোল এটেম্প তৌরকখিবা কয়াবু জর্মনগী দিফেন্দর অমদি গোলকিপ্পরনা সেফ তৌখিবা নত্তনা ক্রোস বারদগী ৱাংনা চৎখিবা, পোষ্ট অনিগী নকান্দা চৎখিদুনা অরেম্বদা তাখিবা কয়া অমা য়াওখিদবা নত্তে ।

পুন্নমক অসি ওইদুনসু জর্মন্না ব্রাজিলদা ৱার্ল্ড কপ্তা য়াম্না চাওনা লমনশিংবা ঙম্বা মেটচ অমসু ওইখি। লৈবাক অনি অসি ইং ২০০২দা কোরিয়া জাপান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা কপ অদুগী ফাইনেলদা ব্রাজিলনা জর্মনবু গোল ৩–০দা মাইথিবা পীদুনা চহি অদুগী চেম্পিয়ন ওইবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ৫রক শুবা লৈবাক অমা ওইখিবনি ।

মাইপাক্লবা জর্মন টিমনা থা অসিগী তাং ১৪গী অয়ুক্কী পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা ফাইনেলিষ্ট ওইবগা লোয়ননা মহাক্কী লম্বাবু ঙাইদুনা লৈখ্রে ।

ব্রাজিল টিমগী কোচ ওইরিবা স্কোলরিনা ৱার্ল্ড কপ অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্কী ওইবা ৱারোল অমা ফোংবদা হন্দক্কী কপ অসিদা মহাক্কী টিম অমদি লেটিন আমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা আর্জেন্টিনাগা ফাইনেল শান্নগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু ঙরাংগী মেটচ অদুনা শান্নদ্রিঙৈগী মমাংদা হেন্না হায়জিনবা মানবগী মওং অমসু উহনখি ।

মহাক্কী ৱারোল অদু চুম্লম্বসু য়াই অদুবু জর্মনগী মখুত্তা চাওনা মাইথিখ্রবা ব্রাজিল টিমগী কোচ অমা ওইরিবা স্কোলারি হন্দক্কী কপ অসিদগী মখা তানা ব্রাজিলগী টিম অসি পায়রক্তবসু য়ানা লৈরি । ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা ব্রাজিলনা চাওনা মাইথিবা মেটচ অমা হায়রগদি ঙরাং জর্মনগী মখুত্তা গোল ৭–১দা মাইথিবা নংখিবা অসিনি ।

ব্রাজিলনা ৱার্ল্ড কপ্তা মাইথিহৌবসি য়াম্লবগা গোল ৩–২দনি । মসি গোল এভরেজদা য়েংবদা শুপ্নগী গোল ১খক খন্নরগা মাইথিবা নংহৌবনা অয়াম্বনি ।

হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা জর্মন্না লিগ রাউন্দদগী হৌনা অহৌবা মেটচ অদুসু পোর্তুগালগী মাইয়োক্তা গোল ৪ চনখি । অনিশুবা ওইনা ঘানাগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোল ২–২ দ্রো ওইরবা মতুংদা অরোইবা ওইনা য়ু এস এগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোল ১–০দা মাইপাক্লকখি ।

প্রি ক্বাটর ফাইনেলদা জর্মন্না এলজেরিয়াবু গোল ২–০দা মাইথিবা পীখি । ক্বাটর ফাইনেলদা জর্মন্না ফ্রান্সপু ১–০দা মাইথিবা পীবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চংলকখিবনি ।

সেমি ফাইনেলদা য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলবু গোল ৭–১দা মাইথিবা পিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা টিম অসিনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবদা পুন্না চললিবা গোল অসি ১৭ শুরে । হৌখিবা ৱার্ল্ড কপশিংগী রের্কোদ য়েংলুরগসু জর্মন্না হৌজিক ফাওবগা ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াবদা চনবা গোলগী মশিং অসি হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা অমসু ওইরি ।

ফাইনেল চংহৌদ্রবা য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলনা থার্দ অমদি ফোর্দ প্লেসকী মেটচ শান্নগদৌরি । মখোয় কনাগা শান্নগনি হায়বসি ঙসি অয়ুক শান্নগদৌরিবা আর্জেন্টিনা অমদি নেদরলেন্দ অনিগী মেটচ অসিনা লেপ্লগনি ।


নিংশিংবা য়াই ইং ১৯৫০ ব্রাজিলনা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ব্রাজিল য়ুম্বু ওইরবসু ফাইনেল চংবা টিম অমা ওইখি অদুবু উরুগ্বেগী মখুত্তা গোল ২–১দা মাইথিদুনা রনর্স অপ তাহৌখিবনি । হৌজিক ফাওবদা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইবা ৱার্ল্ড কপতা মখোয়না ৱিন্নর ওইবা ঙমদ্রি ।








ব্রাজিল অমদি জর্মন শান্নখিবা মেটচ অদু ষ্টাদিয়মদা লাইফ য়েংখিবা ব্রাজিলগী ফেনশিংনা জর্মনগী মখুত্তা চাওনা মাইথিবদা থম্মোয় কায়খিবশিং






## বেঙ্গলোরদা টেলেন্ট হন্ট পাংথোক্কদৌরি

*মুম্বাই, জুলাই ৯ঃ*
টাটা কেপিটেল অমদি প্রকাস পদুকোন বেদমিন্টন একাদামী অনিনা মমাংদা টেলেন্ট হন্টকী ওইবা প্রোগ্রাম অমা পাংথোকপদা মাইপাকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী চহি অসিগী অনিরক শুবা ওইনা টাটা কেপিটেল সুপর সট্টলরস টেলেন্ট হন্টকী প্রোগ্রাম অমা চহি ৮দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অসিগী ওইনা বেঙ্গালোরদা পাংথোক্কদৌরি ।

মমাংগী চহিদা পাংথোকখিবা বেদমিন্টনগী টেলেন্ট হন্ট অদু জুলাই ১২দগী অগাষ্টকী ১০ ফাওবা পাংথোকখিবনি । মসিগা চপ মান্ননা হন্দক্কী চহি অসিদসু হায়রিবা মতম অসিমক্তদা বেঙ্গালোরগী স্পোর্টস ক্লবকা খুৎশম্নদুনা পাংথোক্কনি হায়রি ।



নুমিৎ নিনি কেম্প চখরবা মতুংদা খনগৎলবা অফবা শান্নরোইশিং অদুগী ওইবা অতোপ্পা নুমিৎ নিনি অমগসু টুর্নামেন্ট অমা অগাষ্ট থাগী অরোইবা চয়োলদা কর্নাটাকা বেদমিন্টন একাদামীগা খুৎশম্নদুনা পাংথোক্কনি ।

ৱিন্নর ওইরবা চহি নৌরিবা অঙাংশিং অদু টাটা কেপিটেল সুপর সট্টলর ট্রোফি পীবগা লোয়ননা মখোয়বু মখা তানা পি পি বি এগী কোচশিংনা মশান্না অসিগী লমদা তাকপী তমবিগনি ।

## চপ মান্নে দটচ, চপ মান্নে আর্জেন্টিনা

*ইম্ফাল, জুলাই ৯ঃ*
জর্মনি, থিংবিনবা লৈতনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৪গী ফাইনেল য়ৌখ্রে । য়ুম্বুনি, অকন্বনি, অহৈবনি হায়না মুকচরম্বা ব্রাজিলগী নাপল নমথেক্কুনা গোল ৭–১দা মাইথিবা পিরগা অরোইবা ফাইনেলগীদমক্তা মুকখাইদুনা লৈখ্রে । উপায় লৈতে ব্রাজিলগী কোচ স্কোলারী, মপোক ময়িদা ইকাই ফিরুক খুমজৌ লৈরম্লমাল্লে, লৈবাক মমাংদা পুমচোপ চোপ্লে । অফবা প্লেয়ার মশিং খংদনা লৈরবা লৈবাক অমগী মতিং লৈবা শান্নরোই খন্বদা খরা ঙক কন্তক তৌরুবগী মহৈরা হাইনরিসিবু ..... ।

ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমদদি মখোয়গী রিজার্ব তা থল্লীবা নত্রবসু প্রোবেবলদা য়াওখিবা শান্নরোই অদুগুম্বা অমা অনিদং লৈজরম্লবদিকো হায়না তক্সি শোন্নরমগনি ।

হৌজিক ফাইনেল চংলবা জর্মনিগা থেঙ্গাইনগদৌরিবসি নেদরলেন্দ (দটচ হায়রগসু খংনৈ, মহৌশা হোল্লেন্দ হাইনসু কৌনরম্মী) অমদি আর্জেন্টিনা অনি অসিগী অথোইবদুগনি । কনানা থোইগনি শোইদনা খংনরগনি ঙসিগী অহিংগী মতুং পুং ১.৩০ গী মতুংদদি । দটচ ইয়ুরোপকী মশক নাইরবা লৈবাক অমনি, হাকুমগী ফাইনেলিষ্টনি, রর্নস অপ তাহৌই, চেম্পিয়ন স্পেনগী মখুত্তা পোদুনা।

হন্দক্তি অমুক্তংদি চেম্পিয়ন ওইদবা য়াদে খন্দুনা অফং অফংবা ইন্থুরম্লগা ঙসি আর্জেন্টিনাগা সেমি ফাইনেল শান্ননবা শেম শাবা পুমলোই লোইরে, মখোয়না শোইদনসু থোয়গনি হায়রি । অমরোমদা আর্জেন্টিনাসু কনাবুসু কিবিদে হায়না কনাবুসু উশিত্তনা মখোয়গী হৈশিংবা য়েংজৌ হায়না দটচ টিম্বু থোয়গাইরগা ফাইনেল শোইদনা চংগনি অদুগা জর্মনিগা ফাইনেল শান্নগনি হায়না পাবা লোইখ্রে ।

নুংঙাইদৌরি, লীওন মেসিগী গোল চল্লমদাইগী মিত্রং লোইননা শুংশোই শোইদনা গোল চন্বা য়াবগী বোল খুৎখাই । য়েংবা তারি আর্জেন রোবেনগী গোল পোষ্ট তম্না বোল নমপু পুশিন্বগী চলাক । ভেন পার্সিগী গোল চন্বা হৈবগী স্কিল ।

আর্জেন্টিনাগী প্লেয়ার অয়াম্বা, রোদ্রিগো পালসিয়ো নত্তনা অতৈদি চহি ২৪দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়ার ঙাক্তনি । মমিং খরা পঞ্জরবদা মানচেষ্টর সিটিদা ডিফেন্দর ওইরিবা পাব্লো জাবালেতা, রিয়েল মদ্রিদকী এঞ্জেল দি মারিয়া (মহাক য়েল্লো কার্দ ২রক ফংলুবগী মহৈ ফংলনি)। নেপোলীগী গোঞ্জালে হিগুয়েন, বারসেলোনাগী লীওনেল মেসি, মহাক টিমগী কেপ্টেনসু ওইরি অমদি সজিও অগ্যুরোনচিংবনি । য়েংবা ফংলনি মখোয়না করম শান্নবা ।

অমরোমদা দটচ টিমসু চহি ২০দগী ৩০ ফাওবদা লৈবা শান্নরোই ঙাক্তনি, অদুবু হৈথোই শিংথোইবদি আর্জেন্টিনাদগী করিসু তাবা নত্তে । বায়ন ম্যুনিকতা শান্নরিবা অর্জেন রোবেন, মানচেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরিবা রোবিন ভান পার্সি গালাটাসরি য়ুনাইটেদকী ৱেসলি স্নৈজদর অমদি খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরবা দার্কক্যুটকী হৈশিংলবা খুৎশান্ননা শুংশোই শোইদনা ফাইনেলগী লম্বীদা পুশিল্লকপদা আর্জেন্টিনাবু মায়থীবা পীরমগনি হায়না ঙাংনরিবনি । য়েংবা তাই নেদরলেন্দ অমদি আর্জেন্টিনা, কনানা থোইবা, কনানা পোবা থোইবসু হৈনরবা, পোবসু হৈনরবা লৈবাক অনিনি আর্জেন্টিনা অমদি নেদরলেন্দ ।